HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




গুৱাহাটিগী প্রাগজ্যোটিসপুর য়ুনিভর্সিটিনা চহী খুদিংগী লাইরিক ফবা মহৈরোয়শিংদা লেপ্তুনা পূক্লিং থৌগৎলক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ক্লাস ত্বেলভকী এগজামদা মার্ক ৱাংনা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু মনা পীখিবা


থম্মোয় পাউদম : পুন্সি-শক্তম, শিনফম...১৬ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ শিং অমসুং য়াইঙংদা য়াওরিবা...
“ৱারী মখাক ৱারেপ মপুম” ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ কৈথেল ফম্বীশিংনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল...
জি টি আইগী রিপোর্টতা পাকিস্তাননা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি...


য়ু পি এস সীগী সী এস ঈ ২০২০গী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টদা অহানবা আই পি এস মীতৈ নুপী ওফিসর ওইরবা মতুং আই এ এস ফংবদগী টামিল নাদু কেদরদা লৈরিবী ক্ষেত্রিময়ুম দীপি চনুনা চীফ মিনিষ্টর বিজয়গা উন্নবা




Vol. 51, Issue No. 70 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | য়ুমশকৈশা, ইঙাগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 03, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরকখিবা শিল্লোংগী মণিপুরগী রাজবারি

# শীংকুপ শানা থুদেকখিবা থা ৭ হেঞ্জিল্লক্লে অনৌবা ১ শাগদৌরিব্রা নংত্রগা শারোইদৌরিব্রা



শিদোক্ত্রিঙৈদা শিল্লোংগী রেদ লেন্দসতা লৈরম্বা মণিপুরগী রাজবারি (ওই) শিদোল্লবা মতুংগী শক্তম (ফাইল ফোটো)

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতগী ওগষ্ট ১৪,১৯৪৭তা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুশন এক্ট, ১৯৪৭ শেমদুনা থংনবা কুমজা ১৯৪৮দা মীখল পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অসিগী অহানবা এসেমব্লি লিংখ্রবসু ওক্টোবর ১৫,১৯৪৯দা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখিবগী মাঙওইননা সেপ্টেম্বর ২১,১৯৪৯দা ‘মর্জর এগ্রীমেন্ট’ খূৎয়েক পীনখিবা মফম অমা ওইবদা নত্তনা মণিপুরগী নিংথৌশিংগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা শিল্লোংগী রেদ লেন্দসদা লৈরকখিবা মণিপুরগী রাজবারিবু ওক্টোবর ৮,২০২৫দা অনৌবা অমা শাগৎকদৌরিবনি হায়দুনা শিদোল্লগা শীংকুপ শানা য়ানখাইখিবা থা ৭ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা অনৌবা অমা শেমগৎ-শাগৎপগী মমি তমদ্রে।

মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### নেটিভ পিপলস কম্মিটি মণিপুরনা ৱাথোকশিং খন্নদুনা ৱারেপ ১২ লৌখ্রে

# মীতৈ অমসুং নাগা এম এল এশিংগা পূন্না ৱারী শারগনি প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর উন্নরুগনি : অসাং কসার

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৩ হেনবগী মমাঙদগী কুকি-জো ফূরুপকী লমহেন-তুহেনবা, মখোয়গী টেররিষ্টশিং অমসুং মখোয়গা খূৎশম্নবা ঙমখৈ ৱাংমদগী চঙশিল্লকপা মীওইশিংগা খূৎশম্নদুনা অতম্নমা মীতৈদা তমথীরবা লান চথরক্লবা মতুং চহী অহুম হেঞ্জিল্লকপদগী য়েলহৌ ফূরুপ ওইরিবা নাগাশিংদসু ওনশিন্দুনা খূৎ থারকপদগী ওইহল্লক্লিবা মণিপুরগী ৱাথোকশিংবু নেটিভ পিপলস কম্মিটি, মণিপুর (এন পি সী এম) না পুথোক্তুনা কূপ্পা খন্নখিবগা লোয়ননা ৱারেপ ১২ লৌখ্রে।

ষ্টেট অসিগী নাগা অমসুং মীতৈ সী এস ওশিং পুনশিন্নদুনা শেম্বা কম্মিটিনা ‘য়ুনিফাইদ রেস্পোন্স’ হায়বা পান্দমদা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা মখান খুলগী কম্যুনিটি হোলদা ‘নেটিভ পিপলস কনভেন্সন’ অমা পাঙথোকখিবনি। মীফম অসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা শরুক য়াখি।





খন্ন-নৈনবা মীফম অসিদা কে টিমোথি জিমিক (রিটাইয়ার্দ আই আর এস), এম য়ুগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. ৱাই প্রেমানন্দ, দেমোগ্রাফর ডা. আর কে নরেন্দ্র অমদি ইন্দিরা গান্ধী ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর হোমেন থাংজমনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

কনভেন্সন অসিদা অসেম প্রিন্স অমদি জুরিস অবোনমাইনা মোদরেটর ওইরগা ডা. সী ঐচ বিরেন্দ্র অমদি মিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জোইন্ট ট্রাইবস কাউন্সিল মণিপুরগী ইমর্জেন্সি শটদাউন হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ১৩দা কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাজিনখিবদগী হৌজিক ফাওবা মরী-মখোঙ খঙবা ঙমদ্রিবা পাষ্টর অনী য়াওনা নাগা মীচম তরুকপু অথুবা মতমদা তেক্ত-কায়দনা থাদোরক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা ইনপুই, লিয়াংমাই, রোংমৈ অমসুং জেমে ফূরুপকী অপূনবা লূপ ওইরিবা জোইন্ট ট্রাইবস কাউন্সিল, মণিপুরনা ঙরাংদগী হৌরদুনা খুদক্তগী টোটেল ইমর্জেন্সি শটদাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা জেলিয়াংরোং ফূরুপ্পা তাবা মফমশিংদা মহৌশাগী মীয়ামগী পূন্সিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মে থাদা মীচম ৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি পুলিস ১, মীচম ১৫ শোকখি, য়ূম ৩০ রোম মৈ থাখি, মফম ৬তা বোম পোকখায়খি





মে ১৩,২০২৬কী অয়ুক্তা কোটলেন অমসুং কোটজিম খুল অনীগী মরক্তা কুকি টেররিষ্টনি চিংনবা খূৎপু অমনা এম্বুশ তৌদুনা হাৎখিবা থাদৌ চর্চ লীদর অমসুং মীচমশিংনা তোংলকখিবা গাড়ী অনী (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস):** মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীগদবনি হায়বা দিমান্দ তাল্লদুনা মীতৈদা অতম্নমা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসি মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী মখা শমথরকপগা ইরোয়ননা লান হৌরক্লিবা কুকি-জো ফূরুপকী মীওইশিংনা নাগা ফূরুপশিংদসু খূৎ থারকপদগী হৌখিবা মমাঙ থাদা মীওই ৫ নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শিখি। পুলিস পর্সনেল ১ অমসুং মীচম ১৫ শোকখি। পূন্না য়ূম ৩০ রোম মৈ থাদোকখি অমসুং তোঙান তোঙানবা মফম তরুক্তা বোম পোকখায়খি।

মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা হোৎনদবগী মথক্তা ষ্টেট লৈঙাক্কী মথৌ ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থবক্তসু হোত্রোং হোরকপদগী লৈঙাক্লা থোকহন্নীংদবা অমদি পাঙদবগী থৌদোকনি হায়রিবশিং অসি মথং-মথং থোকখিবনি।

পাউচে অসিনা চহী অসিগী খোমজিনবা রিপোর্টশিংগী মনুং চন্না

**১) নোংমৈ কাপশিনবা :** মে ১গী নুমিদাং পুং ১০.২৩ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পি এসনা কোনবা ৱাঙ্খৈ পুখ্রম্বম লৈকায়দা লৈবা ঙাঙোম দিলিপ (৬০)গী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ মরূ ৫ কাপশিল্লমখি।

**২) বোম পোকখায়হনবা :** মে ৩গী অয়ুক পুং ১১.৫৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টকী চেকপলগা নক্লনা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী মনাক্তা লৈবা ক্রিমেটোরিয়ম অমদা য়ু জি গ্রুপ অমনা বোম অমা প্লান্ট তৌদুনা পোকখায়হল্লমখি।

**৩) থাঙনা য়ান্দুনা হাৎপা :** মে ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফমুং ২০০ লৈহনগদৌরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল য়েংশিনখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** হোমগী থবকসু পুরিবা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হৌজিক ফমুং ৫০ লৈরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালবু ফমুং ২০০ লৈবা লায়েংশঙ অমা ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগা ইরোয়ননা ঙসি লায়েংশঙ অসিগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা মরী লৈনবা ওফিশলশিংনা মিনিষ্টরদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালবু মতমগা চুনবা লায়েংশঙ অমা ওইহনবদা নত্তনা ফমুং ২০০ লৈগদবা হেল্থক্যের সেন্টর ওইহনবদা চঙগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং মথৌ তাবা থবকশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু লৈঙাক্লা লায়েংশঙ অসিগী মথৌ তাবা মচাকশিং লৈহল্লগনি হায়বগী ফিরেপ লৈঙাক্তা লৈরে হায়রদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগী য়ূমথোঙদা শীংথানবা য়াবা মেদিকেল সর্ভিস ফংহন্নবা পাউতাকসু পীখিবগা লোয়ননা লায়েংশঙ অসিগী মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎলগনি হায়বগী থাজবা পীখি। থৌরাং অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ‘ৱান দিষ্ট্রিক্ট, ৱান মেদিকেল কোলেজ’ হায়বা মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলকপনি হায়রদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নাগা মীচমশিং ফাজিনখিবগী মায়োক্তা নেশনল কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্ড ট্রাইবসতা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কোটলেন অমসুং কোটজিম খুল অনীগী লোন্নবা মফম অমদা চুড়াচান্দপুরদগী হল্লকখিবা থাদৌ বেপটিষ্ট এসোসিএশনগী চর্চ লীদর য়াওনা মীচম অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা মীওই মরি শোকহনখিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুং লৈলোন ভাইফে কুকি খুলদগী পাষ্টর অনী য়াওনা নাগা মীচম তরুক অমসুং নুপী ১২ খুল অসিগী খুঞ্জা নুপীশিং অমসুং কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাজিল্লুরবা মতুং নুপী ১২ থাদোরকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা নাগা মীচম তরুক্কী লংলা-লংজিন খঙবা ঙমদবগী মায়োক্তা ন্যু দেল্লীদা লৈরিবা নেশনল কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্ড ট্রাইবস (হেদ ক্বার্টর) তা পিটিশন অমা ফাইল তৌদুনা ৱাকৎখ্রে।

পিটিশন অসি ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খৈ লৈকায়দগী অসেম রোসন কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর/কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা মমাঙ থাগী ২২দা ফাইল তৌখিবনি। মহাক্কী ৱাকৎ অসি কম্মিশননা মথংগী নুমিৎ মে ২৩দা ফংলে হায়বগী একনোলেজমেন্ট পীরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাওবদা মফম খঙদ্রিবা নাগা মীচমশিং অদুদি রেভরিন্দ ডা. মানু থিয়ুমাই, ফেনরিলুং চৱাং, পাষ্টর কেনপিবৌ, ফেনরোংৱি থিয়ুমাই, দিলিপ থিয়ুমাই অমসুং কালিৱাংবৌ অবোনমাইনি। ৱাকৎ অসিগী মতুংইন্না কম্মিশননা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্লগনি থাজনরি।

## ‘লোক্তাক প্রোটোক্লষ্টর’ মিংথোনখিবা ডা. রোনাল্ডো লাইশ্রম ওকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস):** চহী বিল্লিয়ন ১২.৬ শুরবা গেলেক্সি অমা পুথোক্তুনা মসিবু ‘লোক্তাক প্রোটোক্লষ্টর’ হায়না মিংথোনখিবা এষ্ট্রো ফিজিসিষ্ট ডা. রোনাল্ডো লাইশ্রমবু থোংজুদা লৈবা নাওরেম সনাজাওবা পব্লিক লাইব্রেরি হোলদা নেশনল রিছর্স সেন্টরনা তরাম্না ওকখ্রে।





থৌরম অসিদা এম য়ুগী স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ইন্টাস ফাউন্দেশনগী কুমওন

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস):** গুজরাটকী অহমেদবাদতা লৈবা ইন্টাস ফাউন্দেশনগী মরিশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালদা লৈবা মসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা কেন্সর পেসেন্টশিং, মখোয়গীদমক থৌদাং লৌরিবশিং, ফাউন্দেশনগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। ফাউন্দেশন অসিনা কুমজা ২০২২দগী ‘অপ্না ঘর’ হৌদোক্তুনা মসিগী খূথাংদা কেন্সর পেসেন্টশিংদা অঙন্বা মতেং পাংলকখিবনি।

## মহৈরোয়শিংদা চাক থোংলগা পীজগদবা চেঙ স্কুলদগী হুরানখ্রে





**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** মে ৩,২০২৩দগী হৌরক্লগা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী হৌজিক ফাওবা মখা শমথরক্তুনা ষ্টেট অসিগী হীরম কয়াদা শোকচিনহনবদা নত্তনা শেন্মীৎলোন্দসু চঙ ফংনা শোকচিল্লকপনসু মরম অমা ওইহল্লক্লিবা হুরান-চিন্থিগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী লৈরক অচৌবা মচিন্দা লৈবা কৈশামথোং হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা চাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## পাওনা কৈথেলগী দ্রেনশিং লোইশিন্দবদগী কম্মর্সিএল এক্টিভিটি পূম্নমক ফেল ওইরে : ডা. কে ঐচ লোকেন



**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং মরু ওইবা কম্মর্সিএল সেন্টর অমা ওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শরুক্তা য়াওরিবা পাওনা কৈথেল পরিংদা মতম খরগী মমাঙদগী কৈথেল অসিগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা চনবা দ্রেনশিং হৌজিক ফাওবদা মপূং ফানা লোইশিন্দবনা লম্বী পরিং অসিদা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা অমসুং পোৎ-চৈ লৈবা লাকপদা খুদোং চাদবদগী পাওনা কৈথেলগী কম্মর্সিএল এক্টিভিটি পূম্নমক ফেল ওইরে হায়না শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এক্স এম এল এ ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা ঙসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক মহাক্না পাওনা কৈথেল পরিংগী নাক-য়েৎতা চনখৎলিবা দ্রেনগী ফীভম য়েংশিল্লদুনা হায়, ইম্ফালদা স্মার্ট সিটি মিশন লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ওইরমখিবা পাওনা কৈথেলগী ফীভমদগী মিশন অসি লাক্লবা মতুংদনা অমুক্না হেন্না শোকচিল্লে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি অঙকপা ফাওই হায়রদুনা কন্ট্রেক্টরশিংনা মশাগী ওইজবা খরা ফংনবা অমদি শেল লৌথোকপা য়ানবা মওংদা থবক শুবগী মহুত্তা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক শুবীয়ু হায়খি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনসু পাওনা কৈথেলদা হকথেংননা চৎতুনা শেমগৎলিবা দ্রেনেজ সিষ্টম অসিগী থবকশিং য়েংশিনখ্রবনি। অদুবু দ্রেন চনখৎপগী থবক অসি হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা লোইশিন্দ্রিবা করিগীনো হায়না হংলদুনা মহাক্না মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীৎয়েং চিংশিন্দুনা অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

হোংলক্লিবা অকোয়বগী অঙৈং-অশাগী খল অসিদগী খরদং ওইরবসু কন্নবা পাওনা কৈথেলদা থারিবা উ পান্বীশিং শোক্তনবা মরী লৈনবা লোয়শঙগা তান্নরগা দ্রেন চনবগী থবক চথবীয়ু। দ্রেন চনবগী থবক্তা উ পান্বী খরা য়াম্থৎখ্রে হায়নসু মহাক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

## য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা অন্দ্রো পি এসকী মনুং চনবা য়াইরিপোক তুলিহল তৌপোকপীদগী কে সী পি -পি দল্লিয়ু জিগী কোমোল কুক্তার অবাস এলিয়জ করাটি (২৫) কৌবা মীওই অমা মহাক্কী ময়ূমদগী ফারে হায়রি। অমরোমদা, ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা শীংজমৈ চীংঙামখা য়াংলেম লৈরক্তগী য়াংলেম অনাওবা এলিয়জ য়াম্বা (২৩) কৌবা প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা হিয়াংথাং থোংগী নোংপোক থংবা শরুক্তগী ফারে হায়রি।

## খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎলে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক পি এসকী মনুং চনবা পেচি চীংলক এরিয়াগী চীংখোঙদগী খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎলে হায়রি।

ফাগৎলবশিংদি এ কে রাইফল অমা, দবল বেরেল অমা, সিঙ্গল বেরেল অনী, পোইন্ট ৩৬কী হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, চাইনিজ গ্রেনেদ অমা, দিটোনেটর মরি, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অনী, এ কে রাইফলগী মেগজিন অনী, ইন্সাস এল এম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নোংমাইচিং রিজার্ভ ফোরেষ্ট

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস):** উমং লোয়শঙগী সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা নোংমাইচিং রিজর্ভ ফোরেষ্টতা লোনা য়াদবা মওংদা চঙবা অমসুং কেম্পনচিংবা তৌবদা অথিংবা থল্লে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## থবক্কী এপ্লাই তৌবদা চঙবা দোক্যুমেন্টশিং চূড়াচান্দপুরদগী অয়াবা পীবিরক্তবদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐহাক্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে : থোইবা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চূড়াচান্দপুরগী থিঙ্কাংফাই মীতৈ খুলদগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...)

মে ৩,২০২৩দা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না ‘ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ’ হায়দুনা চৎখিবা রেল্লি লোইশিল্লবা মতুং নুমিৎ অসিগী নুংথিলদগী হৌনা লমহেন-তুহেনবা কুকি-জোগী মীওইশিং অমসুং মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংনা চূড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তাইনবদা লৈবা তোৰ্বুংদা হাইগৎলক্তুনা মফম অসিদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ূম-কৈ থুগাইবদা নত্তনা মৈ থাবা অমসুং মীতৈশিংবু হাৎননবা তেমশিংনরকপদগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসি মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী হৌজিক চহী ৩ হেন্না মখা শাংথরকপনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবশিংসু অয়াম্বনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা ফংদ্রি।

থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা ইমুং লিশীং ১০ হেনবগী মীওই লিশীং ৪০ হেনবগী মনুংদা য়াওরিবা চূড়াচান্দপুরগী থিঙ্কাংফাই মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনামদা লৈবা থম্বালমরিক কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা পুখ্রম্বম থোইবনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, মীওইবা কৌবনিনা অনা-অয়েক য়াওরক্কনু হায়বা য়াবা নত্তে। অসিগুম্বশিং অসি মায়োক্ল রকপদা শেলগী মথৌ তারকপনিনা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুদবা য়ারক্তে। লাইরিক পাদুনা তোঙান-তোঙানবা এগজামিনেশনশিংদা শরুক য়ানবা হোৎনবগী মহুত্তা ঐহাক হৌজিক নোংজু-নুংশা হায়বা থিদনা অফং-অফংবা থবক শুবা চৎলি হায়রকখি।

লৈঙাক্লা ঐখোয়গীদমক চান-থক্লবা চেঙ-চাক্কীদি শোয়দনবা পীরক্লি অদুবু মখোয়না পীবিরক্লিবা অসিনা কোন্নবদি নত্তে। চেঙ অমসুং হৱাইখক ৱাৎত্রগা লোইরে খনবা ৱাখল্লোন্দা পীরক্লিবা অসিনদি হিংবদা কোন্নরক্তে। হৌজিক লৈঙাক অসিদগী অহেনবা অপান্বা করিসু লৈত্রে। ঐখোয়গী ৱাকৎ/খোল্লাও কয়া তাবীখিবা নত্তে। অসুক কুইরবা মতম অসি ফাওবদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা ঐখোয়বু ইশা-ইশাগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লক্সমিপ্রিয়াগী ‘বুঙ’না ন্যু য়োর্ক ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদসু মনা ৩ ফংলে



**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২২দা লন্দনগী রোয়ল ফেষ্টিবেল হোলদা পাঙথোকখিবা বফটা এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরমদা বেষ্ট চিলদ্রেন্স এন্দ ফেমিলি ফিল্মগী লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা ফংলকখ্রবা মণিপুরগী লক্সমিপ্রয়ানা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম ‘বুঙ’না ন্যু য়োর্ক ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৬তসু তোঙান তোঙানবা মনা অহুম ফংলকখ্রে।

মমাঙ থাগী ২৮দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ফিল্ম ফেষ্টিবেল অসিদা লক্সমিপ্রিয়ানা বেষ্ট দিরেক্টর, ফিল্ম অসিগী এক্টর গুগুন কিপগেননা বেষ্ট চাইল্ড এক্টর ফংবদা নত্তনা ‘বেষ্ট দেব্যুট ফিল্ম’ গী মনাসু ফংখি।

পনবা য়াবদি, লক্সমিপ্রিয়াগী ফিল্ম অসি কুমজা ২০২৪দা পাঙথোকখিবা টোরোন্টো ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াদুনা মালেমগী মীৎমাঙদা উহনখিবনি। মসিগী মতুংদা ফিল্মসি ৱারশো ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৪, মমি মুম্বাই ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৪, ৫৫শুবা ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ মেলবোর্নদসু শরুক য়াখ্রবনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫